# বিরচন্দ্র ফুটবোল একাদেমিনা ফোরেনগী টিম য়াওনা স্প্রিং সোকর ফেষ্টিবেল পাঙথোক্কদৌরি

*ইম্ফাল, দিসেম্বর ৩১ঃ*



টি ঐচ বিরচন্দ্র সিংহ ফুটবোল একাদেমীনা লাক্কদৌরিবা চহী অসিগী ফেব্রুৱারি ১৩ দগী ১৮ ফাওবা মপান লৈবাক টিবেটকী অন্দর ২০গী ৱুমেন্স টিম য়াওনা স্প্রিং সোকর ফেষ্টিভেল পাঙথোক্কদৌরি।

হোটেল আনন্দ কন্টিনেন্টেল ইম্ফালদা মথং চহীগী একাদেমি অসিগী কেলেন্দর ফোঙখ্রে। স্প্রিং সোকর ফেষ্টিভেল অসি লাইওন্স ক্লব লৈমরোল কো ইভর কোচিং ইন্দিয়া অমদি টি ঐচ বিরচন্দ্র সিংহ ফুটবোল একাদেমিনা পুন্না শিল্লগা তৌবুংখোক্তা লৈবা একাদেমি অসিগী গ্রাউন্দা পাঙথোক্কদবনি। তাং ১৪ দা বি এম এস সি তৌবুংখোক্কী ৱুমেন্স ফুটবোল টিমগা টিবেটকী টিমগা শান্নগনি। তাং ১৫ অমদি ১৬ তা টিবেটকী টিম্না মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লবকা ঈ এস য়ু ৱাঙ্খেইগী টিমগা শান্নগনি।

ঙসি কেলেন্দ ফোঙবগী থৌরম অদুদা দি আই জি রেঞ্জ ৱান ওইরিবা আই পি এস ক্লে খোংশাই, লাইওন্স ক্লব লৈমরোলগী প্রসিদেন্ট পি মেম্মা অমদি টি ঐচ বিরচন্দ্র সিংহ ফুটবোল একাদেমিগী প্রসিদেন্ট ওইরিবা খুরাইলাকপনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর ওইখি।

## লৈবাক অসিগী মহুৎ শিনখিবা ফুটবোল্লরশিংবু য়াইফ মঙ্গল পীরক্লি

*ইম্ফাল, দিসেম্বর ৩১ঃ*

ইং ২০১২–১৩ দা লৈবাক অসিগী ফুটবোলগী তোঙান তোঙানবা টুর্নামেন্ট কয়াদা শরুক য়াখিবা মণিপুরগী ফুটবোল্লরশিংবু ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসননা অনৌবা চহীনা লাকপদা য়াইফ মঙ্গল পীরক্লি।

হৌখিবা চহী অনী অসিগী মনুংদা খ্বাইদগী লেমজনিঙাই ওইরিবা মনা ও বেমবেম দেবীনা এ আই এফ এফ ৱুমেন ফুটবোল্লর ওফ দি ইয়র চহী অসিগী ওইনা ফংলকখিবা অসিনি। শিল্লোংদা পাঙথোকখিবা ডাঃ টি আউ ফুটবোল, কৈল্যানিদা পাঙথোকখিবা য়ু–১৪ বোইজ নেস্নেল অমদি জুনিয়র গার্লস নেস্নেল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপ্তা ৱিন্নর ওইখি।

# ন্যুজিলেন্দ টুরদা বেটসমেন যুবরাজ ইন্দিয়াগী টিমদা য়াওররোই

*নিয়ু দিল্লি ,দিসেম্বর ৩১ঃ*



ইন্দিয়ানা ন্যুজিলেন্দ টুরগী সক্কাদ লাওথোকপদা ইন্দিয়াগী বেটসমেন যুবরাজ সিংহ য়াওখিদ্রে। টুর অদুদা ৱান ডে ইন্টরনেস্নেল (ও দি আই) মেটচ ৫ অমদি টেষ্ট মেটচ ২ শান্নগনি। ও দি আই মেটচশিং অদু জনুৱারি ১৯ দগী শান্নবা হৌগনি য়োলননা টেষ্ট মেটচশিংনা ফেব্রুৱারি ৬ তগী হৌগনি।

যুবরাজ সিংহনা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা মমাংদা ওষ্ট্রেলিয়াগা শান্নখিবা মেটচ ৪ শান্নবদা শুপ্নগী রন ১৯ খক লৌবা ঙমখি অমদি ওষ্ট্রেলিয়াগী ফাষ্ট বোল্লর মিটচেল জোন্সনগী মখুৎতা অহুমশুলক ৱিকেট তুখি। ইন্দিয়াগী টিম অসিদা মহাক্কী মহুৎ ওইনা ফোর্মর ইন্দিয়ান ওল রাউন্দর রোজর বিনিগী মচানুপা ষ্টুৱাদ বিনিনা মহুৎ শিনগনি। চহী ২৯ খক্তা ঙাইরিবা কর্নাতকাগী বেটচমেন অসিনা হৌজিক ফাওবদা মেটচ ৫৩ শান্নবদা রন ২৭১৪ অমদি ৱিকেট ৭৯ লৌবা ঙমখ্রে।

টিম অসিদা মধ্য প্রদেশকস বোল্লর ইস্বর পান্দেবু ও দি আই অমদি টেষ্ট সক্কাটকীদমক খনখিবগা লোয়ননা বরুন আরোনসু য়াওরি। বারুন আরোননা ইং ২০১১দা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা শান্নবদা শরুক য়াখিবা অদুগী মতুংদগী ও দি আই মেটচ অমত্তা শরুক য়াবা ঙমদনা লাকখিবনি। সাউথ অফ্রিকাগী টুরদা য়াওখিবা বোল্লর মোহিদ শর্ম্মা মহাক্কী পার্ফোমেন্স ফজদবনা মরম ওইদুনা আরোনবু মহাক্কী মহুৎ ওইনা সেলেক্সন তৌরকখিবনি।

নাকল অমরোমদা মুরালি বিজে, অজিনক্যা রাহানে অমদি বিরাট কোহলি মমাংগী সাউথ অফ্রিকাগী টুরদা ফজনা পার্ফোমেন্স পীখিবগা লোয়ননা ইন্দিয়া টিমদা য়াওরি। হন্দক্কী টুর অদুদা ফজনা শান্নবা ঙমখিদ্রবা সিখর ধৱন অমদি রোহিদ শর্ম্মা অমসুং ইন্দিয়াগী সেনিয়র বোল্লর জাহির খন্দসু য়াওরি।


ন্যুজিলেন্দ টুর অসিগী ও দি আই গী মেটচশিং অদু জনুৱারি ১৯ দা নাপিরদা, জনুৱারি ২২দা হেমিলটনদা, জনুৱারি ২৫ দা ওকলেন্দদা, জনুৱারি ২৮ দা হেমিলটনদা অমদি জনুৱারি ৩১ দা ৱেলিংটনদা শান্নগনি।

ইন্দিয়াগী ও দি আই সক্কাট শরুক য়াগদবা শান্নরোইশিং অদুদি কেপ্টেন মহেন্দ্র সিংহ ধোনি, সিখর ধৱন, রোহিদ শর্ম্মা, বিরাট কোহলি, অজিক্যা রাহানে, অমবাটি রায়ুদু, সুরেশ রাইনা, রবিচন্দ্র অস্বিন, রবিচন্দ্র জাদেজা, বুবনেস্বর কুমার, মোহমদ শামি, ইশান্ত শর্ম্মা, অমিট মিশ্রা, ইস্বর পান্দে, ষ্টুৱার্দ বিনি, বরুন আরোন।

ইন্দিয়াগী টেষ্ট সক্কাটতা শরুক য়াগদবা শান্নরোইশিং অদুদি মহেন্দ্র সিংহ ধোনি, জাহির খান্দ, মোহমদ শামি, ইশান্ত শর্ম্মা, অমবতি রুয়ুদু, ভুবনেস্বর কুমার, রবিচন্দ্র অস্বিন, উমেশ য়াদব, ইস্বর পান্দে অমদি রিধিমান সাহানি।









Published by Nongpok Publishers Pvt.Ltd, Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hajari Leikai Imphal Editor in charge: **H. Achouba Sharma,** RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, 2441490
*e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com,*